**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23.04.2024)**

**খোংজোম (এল)ঃ** ইং কুমজা ১৮৯১ দা বৃটিশকা শোকখিবা খোংজোম লানফমবু নীংশিংদুনা ঙসি খোংজোম নুমিৎ পালন পাঙথোকখ্রে। লানফম অদুদা থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা মীয়ামা ইকায় খুমবা উৎলি।

রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা থৌবাল জিলাগী খেবা চীংদা লৈবা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা পালন থৌরমদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা মীয়ামা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

অথৌবশিংগী মফমদা গন সেলুট পীদুনা অমদি লাষ্ট পোষ্ট খোংদুনা মিনিত অনি তুমিন্না লেপখি।

তুংদা, খোংজোম তুরেলদা রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকে অমদি মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা মীয়ামনা অথৌবশিগী মফমদা তর্পন কৎখি। খেব চীংখোংদা লৈবা সংকৃটন শঙলেনদসু সংকৃটনগী থৌরম পাঙথোকখি।

তুংদা, পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা য়েলহৌমী ফুরুপশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা শান্তি হনজিল্লকবা হোৎনমীন্নবা চংই। ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদ্রগদি শান্তি পুরকপা ওইথোক্লোই। অমগা অমগা মরাল শিন্নবা অমদি চৈন্নবগী মহুৎতা শান্তি, তংদু লৈতাবা পুরকবা অমদি য়েলহৌমীশিং কন্নবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা মাঙদা থমদুনা থবক তৌমীন্নবা চংই।

নুমিৎ অসি তোঙান তোঙানবা লুপশিংনসু শিনদুনা পাঙথোকখি। মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) না শিনদুনা দল অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। দলগী প্রসিদেন্ট-এস. ব্রোজেন সিংহনা লুচিংদুনা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেস অমসুং সি.পি.আই. মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনসু নুমিৎ পালন তৌখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মেগা ব্লড দোনেসন কেম্প অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবাল অমদি তোঙান তোঙানবা লুপ অমদি বিভাগশিংনা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৬৯ না ঈ দান তৌখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিংগী মচিন-মনাও চিংদা বৃটিশকা শোকখিবা লানফমদা থৱায়না পোন্থা পীখিবা অথৌবা-ৱাংখৈ মৈরাবা লৈখিদবগী ১৩৩ শুবা নীংশিং কুমওন ঙসি চিং অসিদা লৈবা ৱাংখৈ মৈরাবা নীংশিং খুভমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি পিপলস ম্যুজিয়ম ককচিংনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা হান্নগী এম.এল.এ. য়েংখোম সুরচন্দ্র অমদি অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**সোথিং (এল)ঃ** মনিপুরগী উখ্রুল জিলাদগী নুঙবী চফু শাবগী লমদা পদ্মশ্রী মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রবা মচিহন সাসানা ভারত সরকারবু তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি। শ্রী সাসা উখ্রুল জিলাগী ভিলেজতগীনি। মহাক কুমশি চহিগী পদ্মশ্রী মনা ফংবা মীওই ১৩২ গী মনুংদা মনিপুরদগী মনা অসি ফংবা মহাক মতোমতনি।

ঙরাং ন্যু দিল্লিগী রাস্ত্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরমদা রাস্ত্রপদি-দৌপদি মুরমুনা লেমজনিংঙাই ওইবা পদ্মশ্রী মনা অসি মচিহন সাসাদা খুৎশিন্নখিবনি।

**খোংজোম (এল)ঃ** ঙসি খোংজোম নুমিৎ পালিনগা মরী লৈননা আকাসবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাঙবুনা পুথোকপা অখন্নবা থৌরম অমা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মিনিট ৫০ দা আকাসবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি।

**প্রোগ্রাম(এল)ঃ** অকাসবানি ইম্ফালনা লেপ্তুনা শন্দোক্লিবা থৌরম মীৎকপ

থোক্লসিগী ১৬ শুবা তাঙ্ককতা লায়েংলবা মতুংদা থেংনবা শিংনবশিং হায়বা থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তা অকাসবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি য়ুট্যুব চেনেল আকাসবানি ইম্ফালদসু লাইভ ইষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**ভোট (এল)ঃ** অনিশুবা তাঙ্কক্তা থা অসিগী ২৬ তা ভোট থাদনগদৌরিবা আউর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক হয়েং নুংথিল লোয়রগনি।

তাঙ্কক অসিদা আউটরগী বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থাদনগনি। ভোট খোম্বগী মতম লোয়শিল্লকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দল অমদি মীরেপশিংনা অয়ৌবী থাক্তা ভোট খোম্বগী থবক চথনরি।

আউটরগী সিটত পুন্না মীরেপ মরিনা লম্বা তৌনরি। মীরেশিং অদুদি- নাগা পিপলস ফ্রন্টকী কাইচুই তিমোথি জিমিক, ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অলফ্রেদ কে. অর্থর অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অনি- ডাঃ এলিসন অবোনমাই অমদি এস. খো জোন পুন্না মীরেপ মরিনা লম্বা থেংনরি।

এন.পি.এফকী মীরেপ ওইরিবা কচুই তিমোথি জিমিককী মীখলগী মীতিং অমা ঙসি নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট থ্রি মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, হয়েং নুংথিল পুং মরিদগী ভোট থাদনবা লোয়দ্রিবা ফাওবগী মনুংদা ভোটরদা মিং য়াওদবা মীওইশিং কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদা মখা তানা লৈথবা য়ারোই অমদি প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা মীখলগী ইগজিক পোলগী ফলনচিংবা ফোংবা য়ারোই হায়না মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারশিংনা চেরোল থোকখ্রে।

**নোনে(এল)ঃ** লাক্লিবা আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সর্ট্যিন্সিগী লোক সভা মীখল অসি নিয়ম চুমা অমদি শান্তি লৈনা পাঙথোকবগীদমক নোনে জিলাদা য়ু-নচিংবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং য়োনবদা অথিংবা লৈরগনি। দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেদ নোনেনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- জিলা অসিগী ভোট থাদনগদবা

মফমশিংগী অকোয়বদা হয়েং নুংথিল পুং ৪ তাবদগী য়ু-নচিংবা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং য়োনবা থীংজিনলে। অথিংবা অসি ভোট হায়দোকপা নুমিৎ জনগী তাং ৪ দসু লৈগনি হায়রি।

অমরোমদা, কামজোং জিলাদসু হয়েং নুংথিল পুং ৪ দগী লাউদ স্পিকর শিজিন্নবা থিংখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মীখল অসি শান্তি লৈনা অমদি নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক মীখল লোইদ্রিবা ফাওবা হয়েং নুংথিলদগী জিলা অসিগী মফম পুমমক্তা লাউদ স্পিকরশিং শীজিন্নবা থীংবনি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী ওইনা মথো তৌগদবা পোল্লিং ওফিসিএলশিং ঙসি জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মিণি সেক্রেটরিয়েটগী মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা খোংশাংনবা হৌনখ্রে।

জিলা অসিগী ওইনা অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৫৯ তা পোল্লিং পার্সোনেল ৬২৮ না মথৌ তৌগনি।

লোক সভা মীখলগী ফেরজোল জিলাদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং ঙসিদগী লমথাবা হৌখ্রে। অহানবগী ওইনা পোল্লিং পার্সোনেলশিং তুইবোং পিছ গ্রাউন্দগী ঙসি লমথাখি।

তিপাইমুখ বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং হুনজিনবদা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৬ তা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং অদু ই.ভি.এমগা লোয়ননা ইন্দিয়ান হয়ার ফোর্সকী হেলিকোপ্তরদা পুখি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** অনিশুবা তাঙ্ককতা ভোট থাদগদৌরিবা জিরিবাম বিধান সভা কেন্দ্রগী মীয়ামা মশিং য়ামা থোরক্কুনা ভোট থাদবীনবা, পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার কৃষ্ণকুমারনা আপিল তৌরি।

জিরিবাম দি.সি ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী কৃষ্ণকুমারনা হায়, মীখল অসিদা জিরিবামগী ওইনা অপুনবা ভোটর লিশিং ৩০, ৭৭৬ না পোল্লিং ষ্টেসন ৪১ দা ভোট থাদনগনি। জিলা অসিগী ওইনা নুপী খক্তনা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ষ্টেসন ৬ অমসুং অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন অমা য়াওরি।

অনিশুবা তাঙ্ককতা ভোট থাদবদা য়াওগদৌরিবা উখ্রুল জিলাগী উখ্রুল অমসুং চিঙাই বিধান সভা কেন্দ্রদসু মীখল শান্তি ওইনা অমদি নিয়ম চুমা পাঙথোকবা শেম-শাবা লোইরে। জিলা অসিগী ওইনা অপুনবা ভোটর লিশিং ৯৩, ৮৬৯ না পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ১৪১ দা ভোট থাদনগনি। মীয়ামা মশিং য়ামা থোকপীরক্তুনা ভোট থাদনবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা আপিল তৌরি।

**এআর(এল)ঃ** য়ু.পি.এস.সিনা লৌবা সিভিল সার্ভির্সেস পরিক্ষাদা মায় পাক্লকখ্রবা মনিপুরগী মীওইশিং তরামা ওকপগী থৌরম পাঙথোকরি।

পারিক্ষ্য অসিদা মায় পাক্লকপা রাহুল হিজমবু ঙসি শগোলবন্দ সলাম লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা মীয়ামা হরাও তয়ামা ওকখ্রে।

ককচিংদগী পরিক্ষা অসিদা মায় পাক্লকখিবী ক্ষেত্রিময়ুম দিপি চনু, জোইন্ট নন গভরমেন্ট ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন ককচিংনা শিনদুনা তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টর-ককচিংগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি।

হেদক্কোটর আই.জি.এ.আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা য়ু.পি.এস.সিনা লৌবা সিভিল সাভির্সেস পরিক্ষাদা মায় পাক্লকখিবী চুরাচান্দপুরদগী কেরোলিন চিন থিয়ান মোই তরামা ওকখ্রে।

ওকপগী থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী ওফিসারশিংনা মায় পাক্লকখিবা নুপীমচা অমদি মহাক্কী মমা-মপাদা খুদোলপোৎশিং তমখি।

**এআর-২(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা তেংনৌপল জিলাগী চোংজাংদা ইন

টর ভিলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা তোঙান তোঙানবা খুলশিংদগী লাকপা বোল্লিবোল টিম মরিনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী মোলতুক্তা অসাম রাইফলস অমদি খুঞ্জাশিংগী বোল্লিবোল মেটচ অমা শিনখ্রে হায়রি।

**জল্লি(এল)ঃ** খুরাই কালা বিদ্যা ভবন, খুরাই সজোর লৈকাইগী থা অমা চুপা চথরকপা হিরা খুদোংবগী থৌরম ঙসি লোয়শিনখ্রে। থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-পি. গুনিন্দ্রো সিংহ অমদি খুরাই কালা ভবনগী প্রসিদেন্ট-আর.কে. নরজিৎ সিংহ য়াওনা অতৈ মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** অহানবা ঐচ. পান্থোইবা দেবী মেমোরিএল চহি ১৩ মখাগী নুপামচাগী ফুটবোল লিক্কী ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিণি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা বালানন্দা ফুটবোল একাডমীনা য়ুথ ৱেলফিয়ার ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। ইশোক এফ.সিনা তাইদাবু পাঞ্জল ৩-০ দা অমসুং ক্রাউনা টি.জি.এসপু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** মঙাশুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা বসাইনা আই.ই.ভি.এস.এবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

**মীখল** ঃ লোক সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী মতম হয়েং লোয়রগনি। তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবা কয়ানা লৈবাক শিনবা থুংবদা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা রেল্লি কয়া পাঙথোকখি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১৩ গী লোক সভা সিট ৮৯ গী মীখলগী ভোৎ থা অসিগী ২৬ তা থাদনগনি। আউটর মণিপুর লোক সভা সিটকী ওইনসু রাজ্য অসিগী বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা নুমিৎ অসিদা

ভোৎ থাদনগনি।

রাজস্থানদা তাঙ্কক অসিদা লোক সভা সিট ১৩ গী মীখল পাঙথোক্কনি। বি.জে.পি, কংগ্রেস অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংনা মখোয় মখোয়গী ঙমজবা থাক্তা ভোৎ খোন্থগী থবক চথনরি।

রাজস্থানগী উনিয়ারাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা বি.জে.পি. লুচিং অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-কংগ্রেস দল অসি ভোট বেঙ্ক পোলিটিক্স তৌবা দল অমনি। মহাকা হায়-ইং ২০০৪ অমসুং ২০১১ দা কংগ্রেস সাসন তৌবা মতমদা সেদ্যুল ত্রাইবা অমসুং সেদ্যুল কাষ্টকী সিট খাকপদা হন্থহন্নবা হোৎনখি। দল অসিনা ধর্ম্মগী মীৎয়েংদা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকখি। লোক সভা মীখল অসিদা মীয়ামনা মপুং ফানা থোকপীরক্কুনা গনতন্ত্রগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ভোটরশিংদা আপিল তৌরি।

প্রধান মন্ত্রিনা শক্তি অমদি ধামতারিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদসু শরুক য়াখি।

মরক অসিদা, লোক সভা মীখলগী মরিশুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবা থা অসিগী ২৫ দা লোইশিল্লগনি। মথং নুমিৎতা স্ক্রুতিনি তৌগনি। থা অসিগী ২৯ ফাওবা মীরেপচে লৌথোকপা য়াগনি হায়রি। অহুমসুবা তাঙ্কক অসিদা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১০ গী লোক সভা সিট ৯৬ কী মীখলগী ভোৎ মথং থাগী ১৩ দা থাদনগনি।

**কেজ্রিৱালঃ** দিল্লি এক্সাইস পোলিসিদা শেঞ্জা থুমজাগী কেসকা মরী লৈননা জেলদা ফাজিনদুনা থল্লিবা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-অরবিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং ভারত রাস্ত্রা সমিতি (বি.আর.এস) কী লুচিংবী কে. কবিতা অনিগী জ্‌দিসিএল কষ্টদিগী মতম দিল্লি রোজ এভিন্যু কোর্টনা মে তরেৎ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

স্পিসিএল জজ-কাবেরি বাৱেজানা টিহার জেল ওথোরিতিদা মখোয় অনিবু মে তরেৎকী নুংথিল পুং অনি তাবা মতমদা চথেগদবা হিয়ারিং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়াহন্নবসু খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, আম আদমি পার্টিগী লুচিংবা অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা নুমিৎ খুদিংগী মিনিট ১৫ মহাক্কী দাক্তর অমদি লোয়নবী সুনিতা কেজ্রিৱালগা উন্নবা ফংবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়না হায়জখিবনি। অরবিন্দ কেজ্রিৱাল ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা মার্চ ২২ দা ফাখিবনি। অদুগা তেলঙ্গানাগী মেম্বর ওফ লেজিসলেটিব ওফ কাউন্সিলগী মেম্বর ওইরিবী-কে. কবিতানা মার্চ ১৫ দা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা পাখি।

**ইয়ারলাইনঃ** লৈবাক অসিগী দাইরেক্তর জেনরেল ওফ সিভিল এভিয়েসননা ফ্লাইটতা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা চহি ১২ গী মখাদা লৈরিবা অঙাংশিংগী ওইবা অনৌবা নিয়ম অমা লাউথোকখ্রে।

নৌনা চৎনগদবা নিয়মশিং অদুগী মতুং ইন্না পি.এন.আর. নম্বর অমখক্তদা টিকেৎ কক্লিবা মমা-মপা নৎত্রগা মহাক্কী লোয়নরিবা ইমুং মনুংগী মীওই অদুগা হায়রিবা চহি ১২ গী অঙাং অদুগা সিট থংননা ফম্মীন্নগদবনি। চহি ১২ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং ফ্লাইট তোংদুনা চৎথোক চৎশিন তৌবা মতমদা মখোয়গা লোয়নরকপা মমা-মপাশিং অদুগা তোঙান তোঙাননা সিটতা ফম্মীন্নবগী ৱাকৎশিং লাকপদগী হায়রিবা নিয়ম অসি চৎনরকপনি।

**মালেসিয়াঃ** মালেসিয়াদা হেলিকোপ্তর অনি থেঙ্গাইনবগী থৌদোক্তা মীওই ১০ শিরে হায়রি।

রোয়েল মালেসিয়ান নেভিনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না নেভেল পেরেড অমগী পেরেড অমগী প্রাক্তিস তৌরিবা হেলিকোপ্তর অনি নোংথক্তা থেঙ্গাইনবদা মীওই ১০ অদু শিখিবনি। মখোয় মালেসিয়াগী নোর্দন পেরাক্তা লৈবা নেভেল বেজতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৯০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা প্রেক্তিস তৌবনি। হেলিকোপ্তর অনি থেঙ্গাইনবগী থৌদোক অদুদা মীওই তরা অদু থৌদোক থোকফম অদুম্মক্তা শিখি। মখোয়গী মশক মমিং খঙদোকবা হোস্পিতালদা পুখ্রে।